# কলচরেল ৱার্করস এন্দ এক্টিভিটিষ্ট ফোরম, মণিপুরগী নুমিৎ হুমনি চূপ্লা পাঙথোকখিবা সী দব্লিয়ু এ এফ ফেষ্ট ২০২১ # ৩

*- নানি -*

কলচরেল ৱার্করস এন্দ এক্টিভিষ্ট ফোরম, মণিপুরনা শীন্দুনা নুমিৎ হুমনি চূপ্লা চথরকপা এন টি থিএটর হোংনেমশংদা পাঙথোকখিবা **CWAF FEST 2021** গী অরোইবা নুমিৎতা শ্রী করাম শ্যাম, ওনরেবল এম এল এ, লংথবাল এ সীনা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা Dr.S.Manaoton Singh, Educationist and Social Activist, Shri R.K.Rameshor, Managing Director, R.K.Fortune Developers Pvt.Ltd., Shri Thounaojam Mahesh, State President and North East Secretary, Republican Party of India (ATHAWALE) অমদি Shri Laitonjam Jayananda, Social Worker না গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

লাইওইখ্রবা মাঙলমচৎকী ইপা-ইপুশিংনা তুংলমচৎকীদমক য়েংলগা চেকশিন-তাশিন্না চীংজাওগুম্না থম্বীরল্লবসু, মতমসিগী



মীরোলনা শেমদোক-চিংথোক-মন্থোকপদগী মমল নাইদ্রবা ইরলশিং অসি লিক্লু তৎলবা তম্ফায়াই লিক্লাগুম মচোই-মচোই তারক্লে। মসিবু অমুক তাশিন খোমজিন্দুনা পরেং নাইনা লেংশিনবা হায়বসি তঙাইফদ্রবা চেনবা য়াদ্রবা থৌদাং অমনি। পোকপদগী শিবা ফাওবগী মনুংদা তঙাইফদনা তৌদবা য়াদ্রবা লাইনীং-লাইশোনগা মরী লৈননা অমদি মীওইবগী পুন্সিগী খোঙচৎতা মথৌ তারিবা কলচরগী ওইবা পর্ফোর্মিং আর্টস ফোর্ম কয়ানা মতু-মমান খিংদনা তুফক-তুফাই চনবদগী হেন্দোক, উনা উনা মাঙশিল্লক্লিবা কয়া অসিবু ঐখোয়না ফমশেন্নদনা মীতোপ কনা লাক্তুনা ঐখোয়গী কলচরবু কনবিনবা করি থৌরাং লৌখৎপীরগদগে? ঐখোয়বু কনানা পূক্লিং থৌগৎপীগদগে? ঐখোয়গীনি হায়না লৈজরিবা ফজরবা আর্টকী পোত্থোক্লা ঈকং থোকহল্লগা ঐগী ওইবসু য়ারোইদবা অমদি ঐগী ইশক্তুম্বু হামুক তৈশিনবগুম তিনশিল্লিবা মচু মমেন কয়াবুনা অথোইবনি হায়না লৌনরক্লি। হৌরক্লিবা মীরোল কয়া অসিনদি মশাগী ওইবা কলচরদি নোংম-নোংমগী খঙজিল্লক্ত্রে। লৈবাক অমা লোই চন্নবা হোৎনবদা লৈবাক অদুগী কলচর অদু হান্ননা মাঙ তাকহন্দুনা ফুরুপ কাঙলূপ অদুগী মরূ-মরা পূম্বা ফুক্তুনা মাঙহন্নরিবনি। মশাগী নাৎ-শক্তম মাঙখ্রবা ফুরুপ কাঙলূপ অদুদি কৈদৌনুংদা মতিং থোকপা ঙম্লরোইদবনি হায়বসিদি চাম্মদা চাম্মা অদুম চুমদুনা লৈখিগনি।

লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা ফুরুপ কয়াগী নাৎ শক্তমগা মরী লৈনবা ত্রেদিসনেল আর্টস ফোর্ম কয়া অসিদি পুমতোপ তোপ্পনি। মশক মচু থোক্লা মালেমগী মীপূম তিংনা মীতানবনি।



অদুবু ঙসিদি য়াম্না হোংলে। মতমগী মতুংইন্না ঐখোয়গী পুন্সিগী মশকসু হোংলকই। হোংদবসু য়াদে, অদুবু কদাই ফাওবা হোংগদগে, করিবুনা হোংলোইদবগে হায়বা অদু মুন্না খন্নফম থোকই। অমরোমদা, লমদমসিগী আর্টকী পোত্থোকশিংদি, স্পিরিচুএল অমদি কলচর এষ্ঠেটিক্সনা য়োমদুনা শেমখ্রবনি। ফজরবা মশক কয়া অদু থুগাইখিদুনা য়াম্না হোংলে ঙসিদি। লোয়ননা কলচরেল এষ্ঠেটিক্স অমদি ফুরুপ কাঙলূপশিংগী ফিলোসোফিগী ফজরবা মতিক ময়াই অমদি মহাউ অদু ময়াই চমহল্লক্লি। পূম্নমক অসি খঙনা খঙনা খোঙফম হন্দোক্তুনা মানা মানা তৌনীংবদা তৌদুনা মশাগী খুদোংচাবা লৌনবা কয়া অমসু লৈরব্রা হায়বসি চিংননীংঙাই ওই। মসিমক্তি মাঙদা চৎখ্রবা অহল-লমনশিং অদুদা য়ৌনা লংজবা হায়বদু থোক্কদৌরিবনি। অসুম্না নোংমা নোংমগী মাঙশিল্লক্লিবা অমদি হোংফম থোক্তনা হোংলক্লিবা ফীভম কয়াশিং অসি লমদমসিগী অখঙ অহে কয়াগী পাউতাক লৌদুনা ঐখোয় ইশানা কঞ্জনবা হোৎনহৌবা হায়বসি ঙসিগী মীরোল অসিগী মাঙদা তাদুনা লৈরবা তঙাইফদবা থৌদাং অমনি হায়বসি হকচিন্না লৌই।

মাঙলমচত্তা মসিগী খুদোংথীবা কয়া থেংনখ্রবনি। ঙসিসু মদুদা মাঙ তাকখিবা কয়া অদু মীরোল অসিনা ফুক্কৎপা ঙমদনা চৈথেং ফংদুনা লাক্লিবনি। অসিমক্তদা হৌজিকসু পোকলাওবী অমা ফাওবা পোকখায়দনা নারোন্দা ঐখোয়গী কলচরগী পোত্থোকশিং অসিবু মহাম তাহন্নবা থওইনা শীনবা অমা য়াওরবরা হায়বা ৱাহং হংনরক্লি। মসিগী পাউখুম ঐখোয় পীদবা য়ারোইদৌরি। লমদম অসিদা মাঙলমচৎতা লৈরম্বা শৈশক-শৈদা, জগোয় খূৎথেক্কা লোয়নবা তোঙান-তোঙানবা পর্ফোর্মিং আর্টস ফোর্ম কয়া লৈরম্বশিং মশক মচু থোক্তনা মাঙথরক্লি। ইরোলনুংদা লুপখিদুনা অমুক হন্না থিবা খঙলোইদবগী ফীভম অমা



লাক্লবা অসিদা মসিবু কঞ্জনবা হোৎনবা হায়বসিদি নাথৈবা য়াদবা পাংফদ্রবা থৌদাংনি। অসিগুম্বা হকখ্রবা ৱাফম কয়া অসিনা মাঙদা থল্লগা লমদম অসিগী তোঙান-তোঙানবা কলচরগী শিনফমদা লৈরিবশিংনা অমত্তা ওইনা পাম্বোম তিংনদুনা পুনশিন্নবা মথৌ তাই। লোয়নননা লৈরিবা প্রোব্লেমশিং ইস্যুশিং অসি মমুৎ তানা নৈনবা মথৌ তাই।

হন্দক অহানবা ওইনা ফোরম অসিনা পাঙথোরক্লিবা CWAF FEST 2021 অসি য়াম্না মরম অমদি মতাং চাবা ফেষ্টিবেল অমনি। পাঙথোক্লরিবা রুটিন ফেষ্টিবেলশিং অসিদগী খরা পুমতোপ তোপ্পা মশক অমা উবা ফংই। ফেষ্টিবেল অসিগী ৱাহন্থোক য়াম্না চাওই। মসিগী কান্নবসু শোয়দনা লৈগনি হায়না খল্লি। ঐখোয়না ঐখোয়গী কলচর মাঙশিল্লক্লে হায়না পংতাই তাইনবসু কান্নবা লৈরোই। ঐখোয় ইশা ইশাদা হান্না শেমদোকপা হৌগদবনি। ঐখোয়গী ৱাখল্লোন অসি অহল-লমনশিংনা পূক্লিং ৱাখল চঙনা শেমদুনা থম্বীরম্বা কয়া অসিগী ফিলোসোফি, ইম্পোর্টেন্স কয়া অদু মাঙদা থল্লগা নৈনবা অমা চঙই।



নৎত্রগদি ঐখোয় মশেল পংলাউ লাউনবনসু কান্নরোই। মসিগী ইস্যু অসি ঐখোয়খক্তগী নত্তে। মালেম পুম্বগী ওইনা থেংনরিবা অরুবা ইস্যু অমনি। মতমগী ওইবা মচু মমেন কয়ানা ঐখোয়গী কলচরগী লম্বী পূম্নমক থৎতুনা থমখ্রবনি। মসিদা য়াম্না হৈ শিংনা লিৎথোক্তুনা চৎপা ঙম্নবা ঐখোয়গী থৌনা অমদি ঐখোয়গী ৱাখল্লোনশিং অদু পূন্না পুথোকমিন্নবা অমা মথৌ তাই। কলচরেল ৱার্করস এন্দ এক্টিভিষ্ট ফোরম, মণিপুরগী পান্দম য়াম্না চাওফম থোকই। মসি মীওই খরখক্তনা হেক্তা চোঙবনসু ওইগনি থাজদে, অদুনা লমদমসিগী মীপূম তিংনা থম্মোয় শেংনা পূনশিনমিন্নদুনা ৱা তানবা অমগী মথৌ তারি।

ফেষ্টিবেল অসিগী অরোইবা নুমিত্তা হান্নগুম পর্ফোর্মিং আর্টস ফোর্ম কয়া উত্তুনা মীয়ামগী পূক্লিং চিংশিনখি। ইবোয়াইমা খুমননা **পুয়া ৱারী লীবা,** কংলৈপাক তাইবঙ পেনা মহৈকোলগী **পেনা ফমশক,** রহিম কলচরেল ফাউন্দেসন, খাবৈশোইগী **কৱালি,** শৈশককোল বেদবতি খুন্নুং ঈশৈ শৈদমশঙগী **খুন্নুং ঈশৈ,** খুরাই কলা বিদ্যা মন্দিরগী **কৃষ্ণ বন্দনা,** প্রোগ্রেসিভ আর্টিষ্ট লেবোরেটরি উরিপোক্কী **ক্লাসিকেল দান্স,** গুরু গুলাপি নট সঙ্কীর্তন একাদেমিগী **নুপা পালা,** এন টি থিএটরগী প্লে **কনানা হায়জিল্লিবনো** অমদি অম্মিক্কী আর্টিষ্টশিংনা **মতম ঈশৈ** খরা লান্থোক্তুনা মীয়ামগী পূক্লিং চিংশিনবগা লোয়নননা ফেষ্টিবেল অসিগী অরোইবা ফিজং হাইথখি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৩১।০১।২০২১ ইং, নোংমাইজিং;
ৱাকচিংগী ১৮নি পানবা।

মেষ : নচাক নরলদা মীতাবা য়াম্মী অমদি খন্থদনা হোয়া ফগনু। মীয়াম্নদি য়াগনি অমদি নচা ননাইনা অনীংবা থবক্তা তেংবাংবিগনি। পাইরক্কী লৌশিং চাওই।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃষ : অশাওবা ফাথবা অমদি মোং হাদবনা নুংঙাইবা ফংবদো কয়াম কান্নগে য়েংবিয়ু। হোইয়া ফবনা মরুপ মপাংগা মরী ফবা ৱাৎকনি। খোঙদাফম য়েংখো।
লৈশা পাখংশিংগী - লাংচৎনগনু-ৱারৌনগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

মিথুন : ঙসিসু মায় পাকপা লৈ-ৱা য়াম্না ঙাঙদবা অমদি নথক থোংবগা য়েৎনদবনা অফবা শোয়দনা ওইগনি। মতাং চানা থৌনা ফুদোকপা য়াবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা মপা খরদি চাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কর্কট : অফা অপুনগী থবক নত্রগা থি-হুম্বা কন্দবা ওইরদি নীংঙমদবা লাক্কনি। পাউদি নুংঙাইবা তাবা অমদি নথক থোংবনা চানবীবগী নুংঙাইবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মরুপ থাজবা লুই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

সিংহ : মায় পাকপদা নত্তনা ৱাখল নুংঙাইবা লৈগনি। মীয়ামগা মরী খজিক ফত্তবা লৈরসু মীনা লাকচবদি ঙমলোই অমদি হনবা লৈতনা হোৎনবগী মহয় ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

কন্যা : ঙাঙ-শকপা হৈবা, হায়জবা তাবীবা অমদি অরং অরাক ফংবগী নুংঙাইজবা লৈগনি। অদুবু খুৎ চাওবনা মাঙজবা অমদি নীংবা মপা চাদবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - অশাওবনা মাঙজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

তুলা : অনম তাল্লবা অমদি হৈশিংবা শারবা মাঙজরে অদুগা নীংবদু খন্থরগা পাংলবা অমদি কাংলোন কাইদনা থৌপাংলবা মায় পাক্লে। ৱানোম্বা কান্নরোই।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/হিগোক।

বৃশ্চিক : চিংনবা পোকপা, মহু চাওবনা ইমুংদা খৎনবা হৌবা অমদি অকাউবা লৈগনি। অদুবু মীয়াম্নদি য়াগনি অমদি অনৌবা আশানা পাংবা থবক মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী ফরি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

ধনু : অশাওবদি অঙাওবনি অমদি নাপল তৌবদি অপঙবনি হায়বসি কাউদবা ফবা নুমিৎনি। তুংগী পোলোই য়েংউ। য়ারদি মরুপ লোয়নননবা হোৎনৌ।
লৈশা পাখংশিংগী - ঈংথৌ-তুংগী খল্লু।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

মকর : ৱা ঙাঙবা শোয়রদি নরলদা তাইনগনি অমদি খাঙবা কন্দ্রবা খুরৌ থাংবগুম থোক্কনি-থৌ পাংলোই। ৱারৌনরসু মরুপ মপাং লোয়নবনা শাফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - পূক্লিং তপথৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কুম্ভ : নীংবা মপা চারগনি। মীচং খোম্বা অমদি অনীংবা থৌরম মীনা ইনশিনবা ঙাইদনা পাংবা মায় পাক্কনি। তাবা তম্মু অমদি কত্থোকপনা তুংদা মীচং লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিন : ঙসিসু নীংবা মপা চারগনি অমদি লাই-গুরুনা চানবীবা শোইদ্রে। কনানসু লাকচবা ঙমলোই-মীকোক্তুম থোংগনি। লম চৎপসু কান্নগনি-তন্থগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।




লুপা লিশিং ১০ লৌথোক্কে হায়না কষ্টমর অমনা ৱিদ্রো ফোর্ম মেল্লগা পীশিল্লি
বেঙ্ক ক্লর্ক : পৈশা লৈতে !
কষ্টমর : পীখোদনা ললিট মোদি অমদি বিজয়া মালিয়াদা ...! হৌজিক্তি কমদৌই শেল লোয়না পুরগা চেনখ্রেদনা!
বেঙ্ক ক্লর্ক : ওজা ইবুঙো অদোমগী একাউন্টতা পৈশা অমত্তা য়াওদ্রে/লৈত্রে হায়বনি .....!

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

ওজা : নম্বুল তুরেল কদাইদা চেনবগে?
মহৈরোয় : লৈবাক্তা চেল্লি।
ওজা : মেপতা কদাইদা চেল্লি তাকউ।
মহৈরোয় : মেদাম মেপতা করমহাইনা চেন্দোইনো? মেপতা নম্বুল তুরেল চেল্লবদি মেপতো লোয়না চোৎলনি....!

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

লোয়নবি : তাবিরিবরো ! ঐখোয় অনীগী কুন্দলি য়াম্না চানৈ লুহোংবা য়ারে হায়বিরকখিবা কুথি য়েংবা নুপা অদো শিরে হায়।
মপুরোইবা : নোংমা নৎত্রগা নোংমদি মানা তৌবনা মানা ফংই হায়বদুনি।

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

য়াম্না লিকপা মপা অমনা মচা ফুদুনা লৈরম্মী।
য়ুমথংনবা নুপী অমনা করিগী ফুরিবনো হংই।
অরিকপা নুপা : ঐনা য়ূমগী অনীশুবা ফ্লোরগী কাগী সিড়ি কাবদা সিড়ি অমমম কাল্লগা কাউ হায়বনি। মরমদি তোংলিবা সেন্দল অদু তুমশিন্দনবা অদুগা মানা সিড়ি অনী-অনী কাল্লগা কাবদগী মানা শেৎলিবা খোঙ্গ্রাও হৌজিক্তি শেগায়রেদনা ....!

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

তোম্বা : টি ভি অসি কয়া পীবগে?
দুকান মপু : লুপা লিশিং ৫০।
তোম্বা : করিগীনো অসুক য়াম্না তাংলিবসে?
দুকান মপু : মৈ মুৎখ্রবা মতুংদা মশা মথন্তা ওটোমেটিক মুৎচৈ অদুননি।
তোম্বা : য়াম ফৈ পেক তৌবিরো...!


- - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

লাইনিংবা মীওই হিমলায়গী চিংদা কাদুনা চৎলম্মী।
রিপোর্টর : করিগীনো হিমালায়দা চিংদা কাদুনা চৎলীবসিবু ?
লাইনিংবা : ঐখোয় পুন্সি চুপ্পা হিমালয়দা লৈরুনবা চৎলিবনি।
রিপোর্টর : অদুবু করিগীনো?
লাইনিংবা : ৱাট্সঅপ, ফেসবুক অমদি সোসল মীদিয়া হেক লাকপদগী পাউতাক পীবা ঙম্বা য়াম্না হৈশিংবা মীওই কয়া থোরক্লে। মদুনা ঐখোয় লৈরুবগী কান্নবা লৈত্রে..!

- - - - - - - - - - - - - - - - - - - -

ফেসবুক : ঐ পূম্নমক খঙই।
গুগল : ঐগী ইনাক্তা পূম্নমক লৈ।
ইন্টরনেট : ঐ য়াওদ্রবদি নখোয় পূম্নমক করিসু তৌবা ঙম্লোই।
মৈ (লাইট) : তপ্পা ঙাঙউ ...!

☞ পীরিবা ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ অসিদা স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা মশানা য়েকচবা ড্রোইং, শৈরেং অমসুং জোক্স থাবিরকউ। থাবিরকপশিং অদুদগী খ্বাইদগী ফজবশিং খনগৎলগা ফোঙজগনি। থাবিরকপদা মীং, লৈফম অমদি ক্লাস য়াওহনবীরকউ।




Title: **Scenery**
By: Chingkheinganba loukrakpam
Class: KG Sec: E Roll No. 23
School:



Title: **Doraemon**
By: Chingsubam Dosika Devi
Class: VI Sec: Roll No. 14
School: Maheilen Education Centre




Title: **Scenery**
By: Irom Carolina Devi
Class: VI Sec: Roll No. 8
School: Maheilen Boarding




Title: **Shin Godzilla Part III**
By: Mayanglambam Chinglemba
Class: II Sec: Roll No.
School: St. Joseph's Hr. Sec. School



Title: **A Princess**
By: K. Loijinganbi Chanu
Class: II Sec: A Roll No. 40
School: Nirmalabas High School



Title: **Scenery**
By: L. Alden
Class: II Sec: Roll No. 12
School: Maheilen Boarding, Haotal



Title: **Scenary**
By: Leona Meitankeishangbam
Class: K.G Sec: Roll No. 3
School: Unique Model Academy School, Heingang




Title: **Boy rowing with dog**
By: Michalle Chingshubam
Class: V Sec: A Roll No.
School: Little Flower School



Title: **Teddy Bear**
By: Telheiba Maibam
Class: III Sec: Roll No. 7
School: Maheilen Boarding, Haotal

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়নননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।